‘মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনবা’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র

করিবু হায়রুনি। করিবু ইশিন্দুনা থল্লুনি ইরমদমসিগী চেন্থরিবা মতমগী খোঙচৎসিগী মরমদা। চহী অমগা থা অনী হেনখ্রে লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম্না মরমদমসিদা হিংবগী ৱাহন্থোক খঙদনা মায়থোঙদা মঙাল মরীক য়াওদনা লেল্লক্লিবা পূন্সি মরেল। কনাগুম্বা ইমুংগী মীওইশিংদনা শিঙম নাঙমদনা শিখ্রবা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা অমদি য়ূমদা হল্লকখিদ্রবা মখোয়শিংদুগী নীংশিং মমিনা মিৎমাংদগী চৎখ্রো হায়বা য়াদনা লৈবনা হিংহৌরিবশিংনা ৱানা মিৎলু পিরাং ঈহৌনা খাঙলি। মসিবু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ওইফম থোকপা মওংলা। করম্বা মখলগী দেমোক্রেসিনো ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিসিবো। অমুকসু করম্বা মখলগী মীৎয়েংনো য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুর ষ্টেটতা য়েংলিবা মীৎয়েংসিবো। অকনবা খোঙজং কয়া দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা মীচম মীয়াম্না চঙশিনখি। মীহাৎ কয়াগী অচুম্বা ৱালে তৌবীয়ু হায়না ইরমদমসি নীনখি। অদুবু লৈঙাক্না করিসু অচুম্বগীদমক লেপ্পীদনা লাকখি। ঈরাংসি থোক্লিবা লানসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লাকখি। মণিপুরদগী মীতৈ মীচম মীয়াম্না ৱানা খাঙলক্লি। চীংগী কুকি জৌশিংনা খুন্দাবা মফমদনা আইন চৎনদবা তম্পাক্কী মফমদনা আইন লৈবগী মওংনি চখুরক্লিবসি।

মণিপুরগী ঈরাং, নমদুনা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লান লোইশিলহন্দনা অদুমক থল্লক্লি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না জিও পোলিটিক্স তৌদুনা মণিপুরদা মীচম মীতৈ মীয়ামশিং শিনীংলগা শিজৌ হায়বগী ফীভমনি মখোয়না য়েংলক্লিবা মওংসি। ম্যান্মারদগী কানবা খরা ফংনবা হায়দুনা লৈঙাক পায়রিবা মিলিটরি জুন্টাদসু মতেং পাংশিল্লি। ম্যান্মার লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌরিবশিংদসু অদুমক মতেং পাংশিল্লি। নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংদগী মতেং লৌরুবনা মখোয়দা Appeasement Policy চখুবদা মীতৈ মীয়াম খম থেংনা ৱাবগী থৌওংনি তৌরিবসি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং পুকচেল শেংদনা লাকখি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশামক্না হায়খিবা মণিপুরগী লানগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসি চয়েৎনদুনা লাকখি। মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটস দিমান্দ তাল্লুবদগী হায় কোর্টনা পীরকপা ওর্দর অমদগী কুকিশিংনা ঈরাং হৌরকপনি অমুক হায়, মানমারদগী আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীতোপ্তা অমুক তাইশিন, টেররিজম নত্তে অমুক হায়, তৌদুনা লাকখি। মণিপুরগী লাইবক থীবা হায়গদরা ফবা হায়গদ্রা ১৮শুবা লোক সভাসিদসু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অমুক ওইরে। লান শোক্লরিবা মীতৈ অমসুং কুকি অনীগা ৱারী শানরগা ঈরাংসি লোইশিল্লগনি অমুক হায়খ্রে । তৌরসনু মখোয়না তৌনীংবা।

হৌখিবা লোক সভাগী টর্মদুদা অদুক শাংখ্রবা মতমদু মণিপুরদগী চৎখিবা এম পিশিংনা মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা মরীক চুম্বা পাউদম অমত্তা থমদনা লাকখিবনি। মণিপুরদা নংলিবা মীচম মীয়াম্না ৱারিবা কয়াসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা থৌনা ফনা খঙহনবা ঙমখিদে। অমরোমদা লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী এম এল এ/ মিনিষ্টরশিংগা হকথেংননা উনদুনা লান লোইশিন্নবা ৱাতানবা হায়বদু তৌদনা লাকখ্রবনি। মণিপুরগী লৈঙাক মকোক চীফ মিনিষ্টর প্রাইম মিনিষ্টরগা উনবগী তাঞ্জা ফংদনা লাকখি। হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভাদদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা অচৌবা অহোংবা লাকখ্রে ওপোজিনগী মপাঙ্গল কনখৎলে। রাহুল গান্ধীনা ওপোজিসন লিদর ওইখ্রে। হৌখিবা টর্মদা বি জে পি মতোমতনা লৈঙাক শেম্বা ঙমখিবদু হন্দক্তি ঙমদ্রে মপাংশিংগী মতেংনা লৈঙাক্লি। মসিদনি এম পি মশীং য়াম্না লৈরিবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) অমসুং টেলেগু দেসম পার্টিনা মশোং ফল্লিবসি। অমরোমদা পেন্দ্রবা শাওনীংবনা থল্লবা মণিপুর মীয়াম্নসু চঙ চঙ লাউবা মীওই অনী ওজা বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদ কানঙম অনীবু ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী বেন্নর মখাদা মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটরগী এম পি ওইনা থাখিবনি। থাখ্রিবা এম পি অনীনা মরু ওইনা ওজা বিমোল অকোইজমনা করিগুম্বা খরদি মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা তৌরক্কনি হায়দুনা অচেৎপা থাজবা থমখিবদু অদুমক তৌথোরকই। প্রসিদেন্টনা পীখিবা ৱারোলগী ‘মোসন ওফ থেঙ্কস’ খন্নবগী তাঞ্জা লৌরদুনা তেল্লবা মতমগী মনুংদা এম পি ওজা বিমোলনা মণিপুরদা থোক্লিবা লান অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না য়েংবীরিবা মীৎয়েংগী মতাংদা শুপচিন্না য়াম্না মমুৎ তানা থমখি। মখা তারকপা পার্লিয়ামেন্টকী লাক্কদৌরিবা দিস্কসন অৱরশিংদা হেন্না মরীক চুম্না খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারকখিগনি মতম য়াম্না লাকখিগনি। মসি মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবশিংগী ৱাখল্লোননি। তশেংনমক বৃটিশ শাসন মতমদা মখোয়না চাওখৎলবা ফুরুপনি এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী মীওইশিংবু য়াম্না হন্থনা য়েংলম্বা জাৎ কুচু খায়বগী শাসন খুতৌ মওং অদু ঙসি বৃটিশ শাসন্দগী মীনাই নাইথাংগী য়োৎহ্লিং ফল্লাং কোক্লবা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংদা য়েংলকপনি। মসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবা অমা মথৌ তাই।

চহী অমা হেন্না ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙলকখিদ্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনি। মহাক্না মণিপুরবু নুংশিরগদবু অদুক কুইনা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা মণিপুরগী এম এল এ, চীফ মিনিষ্টর ফাওবা উনদনা লাক্লমগদরা। মহাক্না মণিপুরবু করিসু লৈতনা খল্লি। ইলেক্সন ময়াদা শেল খরা য়েল্লগা পংয়া য়াবা মীয়াম্নি হায়না খনবগী মওংনি মহাক্না তৌথোরকখিবা মতৌদুনা উৎচরকখিবনি। মহাক্কী ‘মন কি বাট’ পূক্লিংগী ৱারোলদা মণিপুরগী লানগী মতাংদা শাংলবা মতমসি করিসু পন্দনা লাকখি। হন্দক্তি ১৮শুবা লোক সভাগী সাসন ফংলবা মতুংদা মহাক্না অকাসবানিগী খূখাংদা পীখিবা ‘মন ক বাট’ পূক্লিংগী ৱারোলদসু মণিপুরগী মতাংদা করিসু পনখিদে। মদু পূন্নমক্তুনা মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নত্তবগুম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খল্লি। মণিপুরদা থোক্লিবা লান মীশি মীনা করিসু খন্দে, তাশিন-উশিন্নদে হায়বনি। ফোরেন টুর চৎপা, লৈবাক্কী শেল লোইশিনবদা নম্বর ৱান চেল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টরনি। মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইগে হায়না ওইরবদা কয়াবু কুইনা ওইগনি। চহী য়ামশিল্লক্লে। অমুকসু বি জে পিনা লুচিংলিবা এন দি এগী লাইবক তম্বা ঙম্বা নত্তে মপাংশিংগী মরক্তা এম পি মশীং য়াম্না লৈবশিংগী মখূৎতা এন দি এ লৈঙাক্কী লাইবক লৈরিবনি। মখোয় খরনা শৌগৎপা তোকখিবদা লৈঙাক অদুম মচেৎ তানা কাইরে।

অঙকপনি ওজা বিমোলগী শক্তি লৈরবা ৱাঙাঙ! মনাকোং মেনশিন্দুনা খাঙলম্বা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর তন্দে মান্দে তপ্লি তপ্লি ৱাফম খরা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখি। শুপচিন্না নীংশিংবদা মহাক্না পনখিবদু, মণিপুরদা তপ্না তপ্না শান্তি হঞ্জিল্লক্লে, স্কুল কোলেজ কানরে, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) মণিপুরদা চৎতুনা ঈরাং য়েংশিনখি। ঈরাংসিগা মরী লৈননা এফ আই আর লিশীং ১১গী মথক্তা লৌখৎলে, ঈরাংসিদা চেন্নবা মীওই ৫০০ হেন্না ফারে অসিনচিংবা। অদুগা ১৯৯৩ দা থোকখিবা কাঙলূপকী ঈরাং অমা শাংনা চহী মঙা চঙখি। অদুগা মসিমসু মহাক্না পনখি কোংগ্রেসকী সাসন মতমদা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল তরারক থমখি। মতাংসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হকথেংননা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মথৌ তারি, তম্পাক্তা লৈরিবা মীতৈশিংনা ইনক নক্না অৱাংদা সেকমাই লানবা ঙদ্রি। নোংচুপ্তা কৈথেলমানবীদগী লান্থোকপা ঙমদ্রি। খা নোংপোক্তা পল্লেল হেন্দোকপা ঙমদে। মখা রোমদা ক্বাক্তা লানবা ঙমদে। মসিগা চপ মান্ননা কুকি ফূরুপকী মীওইশিংসু তম্পাক লমদা খুল্লানশিল্লকপা ঙমদ্রি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টরনা মসিমসু নীংশিংবা চুম্মী মণিপুরদা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক মীওই ১৮না ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা মথৱায় থাখিবদু বি জে পিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈদা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বা মতমদা থোকখিবনি।

লোইশিল্লকপদা, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মীৎয়েংদা মণিপুরসি চীংগী লমনি, তম্পাক্কী শরুক্তি খরখক্লি। মখোয় মশেল কাঙলূপ অমগা অমগা পংহাৎতা হাৎনদুনা লৈবা জাৎনি হায়বগী মাইন্দ সেট অমা লৈরি। মদুগী মাইন্দ সেটতু লৌথোকহনবা মথৌ তারি। নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লানসিনা লৈফম চাফম খঙহন্দ্রবা মীতৈ মীচম মীয়ামশিং অমুক ঈচাউনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। মসি পূন্নমকসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনবীরগদবনি। মণিপুরবু নুংশিবীদুনা লাকপীবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংবু ঐখোয়নসু তরাম তরাম ওকপীগদবনি। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হান্নগী পূন্সি মরেল অদু পুরক্লবা ঐখোয় পূন্নমক মহাক মহাক্না পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা পূন্না হোৎনমিন্নবগী মথৌ তাই। মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনবসিনা পূন্নমক্কী পান্দম ওইগদবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

‘লাইশ্রম বিন লাদেন তোম্বা এলিয়জ হিটলর’

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

ইম্ফাল ইষ্টকী অৱাং পোৎশংবম খুনৌদা পোকই। লাইওইখ্রবা অহল ইবুংঙো লাইশ্রম মনি অমদি লাইশ্রম ওংবী ভানুগী মচা পিবা মরি অমদি মচা নিঙোল অমা পূন্না মঙানা তাইবঙ ফাওরকপগী মনুংদা ইতোন তোনবনি। লাইশ্রম ওংবী পুর্ণিমাসি লৈমগা পূন্সি লৈপুন শেমজদুনা মচা পিবা অনী অমদি নিঙোল অমগী মপা ওইজরি। কুমজা ১৯৫৯গী ফেব্রুৱারী থাদা তাইঙদা খোঙদারকখিবা, পূন্সিগী থৌদোক কয়াগা শাহৌ ফনা শেমগৎলকপা মীওইবনি। পোৎশংবম হঙ্গাম য়েল্লা মরক্তা লৈকায়গী মচিল-মনাও, মরুপ-মপীজাশিংগা কেকু লোৎপী শান্নরকখিবদুনা খুঙ্গংগী থিএটরগী ঈহৌফম ওইখিবনি। খুদেংদা চৈনা য়ৈবা, মমানা চন্দ্র মৈনা থোংলিবা হঙ্গাম য়েল্লা চগেমগী পাউ ঙাইনা-ঙাইনা কাংথোল নোঙাদা পুঙ য়ৈবা, অৱাং সেকমাইরোমদগী চেন্থরক্লিবা তুরেলগী খোংনুংদা ইপোম নাইনা শন্দোকপা খোঞ্জেলদা ঈশৈ মখল মথেল শকখিবা। পূন্নমক মাগী পূন্সিগী/মপোক্কী লূ-তোং শেম্বদা ঈগী ঈচেল ওইহনখিবনি।

ইম্ফালদগী শুপ্নগী কিলোমিটর ১৫ মুক্তা লাপ্লবসু অৱাং পোৎশংবম খুনৌ ফজরবা খুঙ্গং অমা ওইবগী মশক লৈ। চীং-পাৎ, তুরেলনা ইকোয় কোয়না লৈবা খুঙ্গংনি। ময়াম্লুং অহল লাইশ্রম যুগেশ্বর অসি মতম অমগী শুমাং লীলাগী খূৎ থেক্লরিবা লীলারোই অমা ওইরম্মী। রিক্সো কনানো হায়বা লীলাদা ‘প্রিন্সিপাল শাবা’ হায়রগা খঙনখিবা ময়াম্বা যুগেশ্বরগা লীলা তৌমিন্নবা মণিপুরগী শক্লাইরবা লীলারোইশিংনা হেক হেক উবদা মহাকপু খুদেং য়ৈবা, কাংথোল, টেবলদা থিনবা ওইরম্বদু তোকহন্দুনা শুমাং লীলা কৌবা মণিপুরী ঐখোয়গী ওইজবা আর্ট ফোর্ম অসিদা খূৎ পায়দুনা চিংশিনখি।

পীকপদগী পীকপা, থোক্তসু য়াবা রোলদগী লীলা য়াওবা হৌরকই। লীলাগী রাশি পংয়াম য়াম্না য়াওবা ওইরকখিদে। মহাক্না রাশি য়াওখৎলকপসি নাতোন শুমাংদা কোই মতেক অমা খাকপা য়াবা রোল কুম্বা হৌরকপা অদুৱাইদগীনি হায়বা য়াই। ডা. য়ুরেম্বম সসিকুমারগী ‘চীংগী ইচল’ শুমাং লীলাদা পিটর শাবা হায়না মমিং চৎপা হৌখি। ফত্তবা শাবদা মমিং চৎপা হৌখিবা লীলারোই ওইরুবনা নুপী অঙাংনা নুংশিবা ওইখিদে। মাবু উবদা লীলা কৌজরিবা লৈকায়গী, খুঙ্গংগী মৌনহাশিংনা নুংশিমন্দদনা চাক পীজরক্তবগী ৱারীসু লৈরি। লীলাদা ফত্তবা শাবসিনা য়ূম্বাল কৈবালদা খুদোং চাহন্দবা য়াই হায়বফাও খনবা য়াওখি। টবলা য়ৈবদা হেন্না অমুক পূক্লিং চঙখি। ভাটখান্দে শঙ্গিৎ বিদ্যাপঠ, লক্ষনৌদগী টবলাদা বিসরৎ লোইখি। ফোক ম্যুজিক্তা দিপ্লোমা লোইখি। দেল্লী, অসাম, নাগালেন্দ, বেঙ্গল, ওড়িষা, এলাহাবাদ, সিলচর, মুম্বাইগী পৃর্থি থিএটর অমদি কেরলাদা পাঙথোকপা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী ত্রেদিসনেল থিয়েটর ফেষ্টিবেলশিং অমদি কম্পিটিসন কয়াদা য়াওরকই। মনা-মথুম কয়া লৌরকই।

মোইরাং পর্ব্ব লীলাদা চহী ১০গী রিছর্স চখুখ্রে। হিষ্টোরিকেল লীলাদা চহী ৮গী ষ্টদিজ ৱার্ক তৌখ্রে। চহী ৫গী টোটেল থিএটর কোর্স য়াওখ্রে। চহী ৪গী রুরেল থিএটর ষ্টদিজদা শরুক য়ারকখি। শুমাং লীলা কৌবা আর্ট ফোর্ম অসিদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা ওজাশিং সনখ্যা হাওরোকচম ইবোতোম্বী, নবা ৱারেপ্পা, বীরজিৎ ঙাঙোম্বা, শক্লাইরবা এন এস দিয়ান ডা. রতন থিয়াম্নচিংবা গুরুশিংদগী থিএটরগী ওইবা মশক মতৌ, মওং মরমচৎ কয়া মপূক থন্না তমজরকই। লোয়ননা চিনফা পুখিবদা কাউগ দবা অমদি ইবা মতমদা মখূৎ নানবা, তরূ-তনানবা ফিরোল শেৎত্রবদি থোঙ্গাল লানবা ইকায়জবা মহাক অতৈ কনা নত্তে পোৎশংবমগীনা আলু তোম্বা, মীয়ামগীনা বিন লাদেন তোম্বা নৎত্রগা হিটলর তোম্বনি।

“ইশুথোই, পুপুদিকো অহলগী মতম ওইবনা ইশুগী মনাক্তা তোয়না লাকপা ঙমগদবা মান্দবা, নঙদি নমাগা নুংঙাইনা পানবা ওইহৌরোকো, পুপু চৎপি কে - তোম্বা (নিঙোল চাক্কৌবা)”

“নুংশিখ্রেদা খুঙ্গং অসে, ঙসিদি থাদোক্তুনা চৎপা তারেদো। লৌরক্তা শাৎচবী থরো, থারিকথা, থম্বাল, নখোয় ময়ামগী ইবাই চাওবদো লৈহৌরবনে নখোয়গী খুঙ্গংগী কাচিন অমদা। ইপাগী চাওবা, য়েংঙোই তাইবঙ কনাগীসু মরল নত্তবা শেংলবা খুঙ্গংগী ঈচেলদগী শোক্লকপা ঈশিং খুজোক অসিনা ইচাগী লান্ন-থৌরম পাঙথোক্লবনিকো- তোম্বা (ইঙাগী পুর্ণিমা)

মথক্কী লীলাশিং অসিদগীদি লাইশ্রম তোম্বগী লীলাগী মশক হোংখি। অয়েংবশিংনা তোম্ববু পংনুংদা নুংশিবা মতম ওইরকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী আলুবু খ্বাইদগী পামখিবনা ‘আলু তোম্বা’ মিংথোল ফংখিবা লীলারোই অসি শক্লাইরবা অইবা থাংজম বীরচান্দ অমদি কৈকোন্দগী মহাদেব শাবা - কৈকোন চাউবা অনীনা লীলাদা মপূং ওইনা পুশিনখি। ইম্ফাল যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনদা অহানবা লীলাগী খোঙদাফম ওইখি।

“জর্ম্মনগী নাজি পূন্নমক, জিয়ু মচাশিংবু হিংনা থমগনো। মখোয় লল্লোন ইতিক্তা হৈথোই-শিংথোইবা, মরৈ মরা তৌবা মনুংদা চিকপা শুমনি শুম। অঙাংবা মচুনা ফিরাল ওইনা মশোং ফল্লিবা রসিয়াগী রেদ অসিবু কিহনবা ওইনা লিদিসি খুঙ্গং অসি অহিং অসিদা তুম্না লোইশিল্লো- তোম্বা (হিটলর)”

“বিস মীলাহির রহিমানির রহিম - টালিবান লান্মী পূন্নমক ঙসি অমেরিকাগী ঙকচাও থেকপা নাপলনা মখোয়গী ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টর কায়খিবনি। মসি অলাহনা মখোয়গী মথক্তা পীবা চৈরাকনি। - তোম্বা (বিন লাদেন)”

মতাং শ্বাইদসু লাইশ্রম তোম্বগী মশক হোংলে। আলু পাম্বা আলু তোম্বা কপচেৎপা করেক্টর শাবদা পকচবা তবলা থিনবা, হৌজিক্তি মালেমগী খ্বাইদগী কি-তুজুংনফম ওইরবা শক্তমশিং লাংলি। লিদিসিগী গুলাপতা হিটলরগী শক্তমদো অঙাংশিংনা কয়াগী মতিক কিনখিবগে হায়ববু মমানা অঙাং থেম্বদা হিটলর লাক্কনি কপকনু হায়বদা অঙাং কপ্পা তোকখিবগী ৱাসু থেংনখি। অদুগা বিন লাদেন শাবদা মানমনখিবনা লীলা অদো অমেরিকাদা উৎনবা প্রোগ্রাম ককথৎখি। ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টরবু উৎনবা শিল লাংখিবা অমেরিকাগী ন্যু জর্সিদগী মীওই ১১না শাবা টিম অমা মণিপুরদা লীলা য়েংবা লাকখি। ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ‘ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টর’ য়েংখি। খোংজোমগী স্লোপলেন্দ স্কুলদা ‘লিদিসিগী গুলাব’ য়েংখি। খোঙবু অদুদা য়াওরকখিবা থিএটরগী দিরেক্টর ওইবী নুপীদুনা ‘বিন লাদেন’ শারিবা লাইশ্রম তোম্ববু লীলা লোইরকপদা কিন্না থিনখি। ‘নঙনা অমেরিকা মীয়াম্বু কপহল্লে’ হৌজিক্তি লাইশ্রম তোম্বা আলু তোম্বা ওইদ্রে। বিন লাদেন তোম্বা নৎত্রগা হিটলর তোম্বা ওইখ্রে।

ঙসিদি লাইশ্রম তোম্বা মশাগী চহী ৬৫ শুরে। লীলা মতিং লৈনা শান্নবা ঙমশিল্লক্ত্রে। লমদমসিদা থোক্লিবা তমথীবা থৌদোকসিনা লীলা শান্নবা লেপখি। লীলা কৌবা আর্ট ফোর্ম অসি লমদমসিদগী মুৎখ্রগদ্রা হায়বগী মীপাইবনা মীৎকুপ অমত্তা পোত্থাদে। শুমাং লীলা তৌজবশিংগী লাইশঙ ওইরিবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনগী অকোয়বদা হৈকোল লৈকোল শেম্বা পাল্লে। লীলা শান্নবা ঙমদ্রবশিংগী পোত্থাশঙ শেমগৎনীংলে। শুমাং লীলাবু একাদেমিক ওইবা খোঙচৎতা মসিগী খোঙ্গুল লীবা মীগী মশীং য়ামখৎহনবা, শুমাং লীলাগী মনুংদা লৈরিবা মরৈবাক নীংবগী ইথিল অমদি লাইনীং লাইশোন অসি তুংগী মীরোলদা খঙহনবা, শুমাং লীলাদা খুন্নাই অসি শেমগৎপদা খ্বাইদগী ফবা খূৎলায় ওইনবা হোৎনবনা মথৌদাং ওইরগে লেপ্লে। ৱাখল্লোন অসি খঙলবা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা লাইশ্রম বিন লাদেন এলিয়জ হিটলর তোম্ববু কাউন্সিলগী টোপ পোষ্ট ওইরিবা প্রসিদেন্ট ফম থিন্দোক্লে। কুমজা ২০২৪দগী ২০২৮ ফাওবা চহী ৪গী থৌ পুখ্রে। শুমাং লীলাগী অচঙবা লীলারোই অসিনা লীলাগীদমক কয়াম কখোল্লম্বা অমদি শেমগৎলম্বা হায়বদো লীলাগী মীয়াম্না অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা য়েংলি। ●

অহোংবা নাইবা খুন্নাইদা শান্নবগী ঈহৌ

- লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো -

চহী কয়াগী মমাঙদগী মালেমদা শান্ন-খোৎনবগী থবক অসি তৌরক্লে, মমাঙঙৈদা মীওইবনা হিংননবা চীঞ্জাক থিবা মফম কয়াদা কোইচৎ চৎলম্মী, মখোয়না উহৈ-ৱাহৈ হেকপা, শা তানবা, ঙা ফাবা চৎপা, লমজেল চেন্দুনা চীঞ্জাক থিবা, তা লংদুনা চীঞ্জাক ফংনবা হোৎনবা, নূঙ লংদুনা চীঞ্জাক ফংনবা হোৎনবা, চেঞ্জোং তৌদুনা খোংনচিংবা লান্দুনা চীঞ্জাক থিনবা হোৎনবা, উ কাবা, ইরোয়বা অসি মখোয়গী হিংনবগী পান্থৈ ওইরম্মী। চহী কয়াগী মমাঙদা লৌউবা হৈরক্লবা মতুংদা শা ফাবা, উহৈ হেকপা অমদি ঙা ফাবগী থবক অসি হন্থরক্লে। অদুবু চীঞ্জাক পৈশিন্দুনা চানবা মতিক চানা লৈরক্লবা মরম্না পোত্থাবগী মতম মরাং কাইনা ফংলম্মী। মহৈ-মরোং লোকপা লোইরবা মতুংদা খুঞ্জাশিংনা ঈশৈ শকপা, জগোয় শাবা অমদি শান্ন-খোৎনবদা অথোই অহেন তানবগী থবক তৌরম্মী। মরম অসিনা লমজেল চেঞ্জোং, নূঙ লংবা, তা লংবা, নম্নবা, অকল-অথৌগী থবক্তা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনদুনা হৌজিক মতমগী শান্নবগী মমি তাবা হৌরকখি।

থায়না মমাঙঙৈদা শান্নরম্বগী মওংনা হৌজিক্কী মতমদা চৎনরিবা অসিগা য়াম্না চাউনা খেন্নরে, হীরম খুদিংমক্তা অহোংবা লাক্লে। শান্নবগী কাঙলোন্দা শান্নবগী টেক্নিকতা, শান্নবগী টেক্টিসতা, শান্নবগী ফিজেৎতা, চীঞ্জাক্তা, ত্রেনিং তৌবগী মওং হোংলকপা, শান্নফমগী মওং হোংলকপা, পামজনা শান্নজবা মীদগী শেল তান্নবা হায়বদি শেল ফংনবা শান্নরকপা, মীয়াম্না মশক খঙবদা হেনগৎলকপা, মনা-মথুম ফংবদা, থবক ফংবগী চাং হেনগৎনরকপা অহোংবা চাউনা লাকপদা নত্তনা ফত্তবা মায়কৈদা য়েংলবসু তৌথোরকপা থবক ফংগৎনবা হীদাক চাবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি শান্নরোয়শিংনা শেন্দান লম্বীরোমদা চঙশিল্লকপা অসি য়াম্না চাউনা মওং হোংলকপনি।

পৃথিবী অসিদা মখল মখা অয়াম্বা মশান্না কয়ামুক লৈরবসু শান্নবগী পূন্না অহানবা ওইনা ঐখোয়না খঙনরিবা শান্নবগী অথোই-অহেন তান্নবদি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৭৭৬ ৱাৎলিঙৈদা গ্রিসকী ওলিম্পিয়াদা পাঙথোকখিবা অহানবা ওলিম্পিক গেমসতনি। গেমস অসিদা জিয়ুস লাইবু ঈরাৎপা ওইনা ধর্ম্মগী থৌরম্না মরু ওইবা ওইরম্মী। অহানবা নেসন অদুদা পাঙথোল্লুম্বা থৌরমদি চাওরাক্লা মিটর ১৮০ রোম শাংবা লমজেল অমখক্তনি (ষ্টেভিওন লমজেল)। অহোংবা কয়া অমুক পুরক্তুনা অকোনবদা গেমশিং অসি য়াম্না কা হেন্না চাওথোরকখি। অহানবদা গ্রিসকী অশেংবা মচা নত্তনা গেমস অদু য়াওবা য়ারমদে। মতুংদদি অথাপ্পদা লৈবা গ্রিসকী কোলোনিশিং ফাওবা য়াওবা য়াহল্লম্মী। গেমস অসি অকোনবদা দিস্কস লংবা, তা লংবা, রেষ্টলিং, বোক্সিং, শগোল লমজেল, শগোলনা চিংদুনা পুবা দোলাইগী লমজেল, লমজেল ময়ায় ওইরপ শাংবা অনী য়াওরম্মী। অসিগুম্লবা চাওরবা শান্নবগী কুম্মৈ অসিদা অহানবদদি গ্রিসকী নুপীগী পুরোহিট অদু নত্তনা নুপী অমত্তনা ওলিম্পিক অদু য়েংবা য়ারমদে। পিসিদোর/প্রোসিদিয়োর হায়বা বোক্সর অমগী মমানা মচানুপানা বোক্সিং শান্নবা য়াওবা অদু য়েংনীংমনখ্রদুনা নুপাগী ফিজেৎ শেৎলগা য়েংবা চঙলক্লম্মী। মথ্বায় ৱানা লাংতক্লনা য়েংলবা মতুংদা মচানীপানা জয় ওইবদুদা হরাও নুংঙাইবনা থুম্মৎখিদুনা মমিৎতগী মপি তাবমখৈ মচাবু চেনশিন্দুনা কোনবীরম্মী। মহাকপু নুপীনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরক্লম্মী। অদুবু মচানুপা পিসিদোরনা জয় ওইবা অমদি মহাক্কী মরৌশিং অদু য়েংলদুনা গ্রিসকী মীয়াম্না পিসিদোরগী মমাবু ঙাকপীরম্মী। অসুম্না য়াম্না ফজনা গ্রিস পূম্বগী ওইনা পাঙথোল্লম্বা মশান্না অসিবু অকোনবদা নমথাক তৌনরকপা, ওলিম্পিক পাঙথোক্লিঙৈদা গ্রিস লৈবাকশিংনা ঙাক্কদবা চৎনরোল থুগাইরকপা অমদি মসিগী মগুণ মাঙথরকপা মরম কয়াদগী গেমস অসিবু রোমান নিংথৌ থিওদিসনা কুমজা ৩৯৩/৩৯৪দা থিংজিনখি।

হৌজিক মতমগী ওলিম্পিক গেমস অসি কুমজা ১৮৯৬তা এথেন্সতা হৌদোক্লম্মী। মতম অদুদা লৈবাক তরাহুমদোইখক ওলিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়ারম্মী। মসিদা নুপী শান্নরোয় অমা ফাওবা য়াওখিদে। মশান্না (দিসিপ্লিন) মাপল খক্তমক পাঙথোক্লম্মী। চহী চাম্মগী মতুংদদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক ২০৬না মশান্না ৫০দা শরুক য়ারম্মী অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংসু অসুক্কী মতিক হেনগৎলকখি। অপূনবা শান্নরোয় লিশীং ১১,৩১৯ শরুক য়াখি, নুপী শান্নরোয়না লিশীং ৫,৪০৯ ওইখি। মসিদা অনৌ-অনৌবা থৌরম কয়ামরুম হাপচিল্লক্লে। অহানবগী ওলিম্পিকতা সমুদ্রদা ইরোইবগী থৌরম পাঙথোল্লম্বদগী হৌজিক্তি ইলেক্ত্রোনিক অমদি কম্প্যুটর ফিট্টিং তৌরবা স্বিমিং পুলদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্লে। হোকিদসু ইংলেন্দগী ব্রেক-হিট ক্লবনা হোকি শান্নবগী অহানবা চৎন-কাঙলোন শেল্লম্মী। কাঙলোনশিং অসি মতমগা চাননা কয়ারক হোংদোকখ্রে। হোকি শান্নবা হেক হৌরকপদগী লৈরক্লবা চৎনবী ওইনা শান্নবা হৌবদা বুল্লি তৌরগা হৌরম্বা অদু কুমজা ১৯৮৩দগী তোকহনখি। হৌজিক্তি টিম অমনা ফিল্ডদা শান্নরোয় ১১ শরুক য়াহল্লে। বোলনা আউটসাইট তাবা মতমদা খূৎনা বোল অদুবু লৈমায়দা শিৎতুনা লংনরম্বা অদু তোক্তুনা কাংজৈনা পুশ তৌরকখি। লৈমায়গী নাপীদা শান্নরম্বা গেমস অসি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না খূৎশেমগী লৈমায়দা হায়বদি সিন্থেটিক টফতা শান্নরে। হোকিদা শেন্দাল লন্বী ওইনা শান্নবা লৈতে হায়বা য়াই। ফুটবোলগুম্না শেল য়াম্না পীদুনা লৈনবগুম হোকি শান্নরোয় লৈথোক লৈশিন তৌনদে অদুবু ফুটবোলদদি অৱাংবা থাক্কী শেন্দাল লন্বী ওইনা খন্নবগী চৎনবী অসি লৈরে। মরম অদুনা ওলিম্পিক গেমসশিংদা মহৌশাগী অফাওবা শান্নরোয় পেলে অমদি মরাদোনাগুম্বা ওলিম্পিক য়াওবগী খুদোংচাবা পীখিদে।

অসুম্না হোংলক্লিবা শান্নবগী ঈহৌ অসিদা কুমজা ১৯৭৬কী মোন্ত্রিল ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকপা নুমিৎতা মৈরা চুখৎপগী থৌরমদা লেজর বিমনা মৈরা অদু মোন্ত্রিল য়ৌহল্লি। বারমেলোনা ওলিম্পিক গেমসতা তেন কাপ্তুনা কম্বীদা থল্লিবা মৈরা অদু চুখৎলি। অদুবু তোপ তোপ্পা অমা ওইনা সিদনি ওলিম্পিক গেমসকীদমক মৈরা পুদুনা চেনবা মতমদা ঈশিং মনুংদা ঈরুপ্লগা মৈরা অদু মূৎহন্দনা পুবা য়াহল্লি। পূন্নমক অসি বিজ্ঞানগী মপান্না অহোংবা কয়া পুরক্লি। লমজেল চেনবদা খূৎনা ঘড়ী নমদুনা মতম কয়া চঙবগে হায়না য়েংবগী মহত্তা ইলেক্ত্রোনিক শীজিন্নদুনা ফোটো ফিনিস কেমেরাদগী লমজেল চেনবগী মতম অমদি মশা-মশাগী পোজিসন খঙবা ঙম্লে। শান্নবদা অহোংবা পুরকপশিংগী মনুংদা ঐখোয়না খন্নবদা থাদোকপা য়াদবা হীরম খরদি অফবগী মগুণনা থল্লবা স্পোর্টসপু অনেম্বা থাক্তা পুথরকপা অসিনি। শান্নরোয়শিংবু পুকচেল শেংবা, মরমচৎ ফজবা, খাঙবা কনবা, হোৎনবা কনবা, ৱাখল্লোন চুম্না লৈবা, নোল্লুকপা অমদি ময়ামগী ওইবা থবক্তা চুশিন্নবা ঙম্নবগীদমক ময়াম্না ইকায়খুম্নে। মতমগী মতুংইন্না শান্নরোয় মরক্তা নমথাক তৌবা, পুকচেল শেংদবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনি। সিদনি ওলিম্পিক গেমসতা শান্নরোয় খরনা মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স হেনগৎনবগীদমক্তা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা থিংখ্রবা হীদাক কয়া চাদুনা কম্পিটিসনদা য়াওশিল্লকপা অসিনি। হীদাক চাবা আইন্না য়াদে অদুগীসু মথক্তা হকচাং মাঙনবা থবক্লি। শান্নরোয় কয়া অমা হীদাক চাদুনা মহাক্না লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় কয়াদা নমথাক তৌরি, খঙলক্লগা মখোয়বু চৈরাক পীরি অমদি মীয়াম্না হঙ্গোইনরবা শান্নরোয় অমা মশামক্না ওইহঞ্জরি। অসুম্না অহোংবা নাইবা খুন্নাইদা শান্নবগী ঈহৌসু অহোংবা নাইনা চৎলি। ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১) **রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী “গীতাঞ্জলি” (১৯৬৪)** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা রুপান্তর তৌরিবসি কনানো?

২) **“পূন্সি লন্বী চৎপদ”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“ঐদি চীংদা শাৎপীনি”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“হীকথরবা শম্বুল”** (২০১১) হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৫) **“পূন্সি লীলা লোইবদা
নঙগী নাক্তা লাকচগে
ঐগী তাইবং লোইবদা
নঙগী সংসার উজগে।”**
মথক্কী ঈশৈ শৈরেং অসি ইরিবা শৈরেংবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।